## কশ্মিরগী মতাংদা ট্রম্পকী মতেং লৌগদৌরি

ইস্লামাবাদ, জুলাই ১৫(এজেন্সি):

পকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান্না মথং চয়োলদা ৱাশিংটনদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকা উনবা মতমদা কাশ্মির ইশ্যুগী ৱারোইশিন পুরক্কবা হোৎনবগা মরী লৈননা মহাক্না অমেরিকান লিদর অসিগী মতেং লৌনবা হোৎনগদৌরি হায়না ইস্লামাবাদ ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

## মাঙখিবা ইন্দিয়ন শিনা ফংলে

কানবেরা, জুলাই ১৫(এজেন্সি):

থিবা খঙলকখিদ্রবা ইন্দিয়ন নুপা অমগী অশিবা হকচাং ওষ্ট্রেলিয়াগী ভিক্তোরিয়া ষ্টেটতা লৈবা মেরিসভিল টাউনগী চিদাই অমদা মহাক্না মাঙখিবা মতুং নুমিৎ ৫ নি কান্নরগা থেংনরে হায়না পুলিসনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

পোসিক সর্মা কৌবা ইন্দিয়ন নুপাদু থা অসিগী ১২ গী নুংথিলদা মমান্নবশিংগা দক ইন পবতগী থোকমিন্নখিবা মতুংদা থিবা ফংখিদবদগী মথংগী নুমিৎকী অয়ুক্তা মিশিং রিপোর্ট তৌখিবনি।

# অফঘানিষ্টান্দা টালিবান লালহৌবশিংনা কিহনবদগী প্রাইভেট রেদিও ষ্টেসন অমা মথৌ লেপখ্রে



কাবুল, জুলাই ১৫ (এজেন্সি):

নুপীশিংনা প্রজেন্টরশিং ওইনা থবক তৌবা য়ানিংদবা টালিবান কম্মান্দর অমনা হঞ্জিন-হঞ্জিন কিহল্লকপদগী অফঘানিষ্টান্দা লৈবা প্রাইভেট রেদিও ষ্টেসন অমা থবক লেপখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা রেদিও ষ্টেসন অদুগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

টালিবানগী মীওইশিং মেনষ্ট্রিম সোসাইটিদা হল্লকহনগনি হায়না থাজনরিবা পিছ দিল অমা গ্রুপ অসিনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা কন্না চথনরিঙৈ মরক্তা রেদিও ষ্টেসন থিংজিনবগী খোঙথাং লাক্লিবনি। অসুম্না টালিবান্না রেদিও ষ্টেসনগী থবক থৌরমশিংদা মখোয়গী অপাম-পামদগী মতুং ইন্না অপনবা পীরক্লিবা অসিনা মখোয়না হান্না তৌখিবগুম্না নুপীশিংগী রাইটশিং অমদি মিদিয়াগুম্বা ৱাফমশিংগী মতাংদা অমুক হন্না কন্না য়েংশিনবগী ফিভম অমা লাক্কগদ্রা হায়না চিংনবা পোক্করি।

সামা হায়না খঙনবা প্রাইভেট রেদিও ষ্টেসন অদু অফঘানিষ্টানগী সেন্ট্রেল প্রোভিন্স ঘাঝনিতা কুমজা ২০১৩ দগী পোলিটিকেল, রিলিজস, সোসল অমসুং এন্টরটেনমেন্ট প্রোগ্রামশিং শন্দোক্তুনা লাকখিবনি।

নুপী প্রজেন্টের অহুম য়াওনা রেদিও ষ্টেসন অদুগী ইমপ্লোয়ী ১৩ না অফঘানিষ্টানগী মরু ওইবা লোন অনী ওইরিবা দারি অমসুং পাষ্টোদা ব্রোদকাষ্ট তৌই। রেদিও ষ্টেসন অদুগী দিরেক্টর রামেঝ অঝিমিনা ফোঙদোকখিবদা, মফম অদুগী টালিবান কম্মান্দরশিংনা অইবা ৱার্নিংশিং থাজিল্লক্তুনা অমসুং টেলিফোন তৌশিল্লক্তুনা রেদিও ষ্টেসন অদুদা নুপীশিংবু থবক তৌহনবা লেপ্পবা খঙহলকখি। টালিবান্না ময়ুমদা লাক্তুনা মঙোন্দসু কিহল্লমখি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা অদুগুম্বা থ্রেটশিং অদুনা নমদুনা মহাকপু ষ্টেসন অদুগী ব্রোদকাষ্টকী থবক লেপহনখি হায়না ফোঙদোকখি।

টালিবান কম্মান্দর অমনা অদুম্না রেদিও ষ্টেসন অমদা কিহল্লি হায়বা ৱাফম গ্রুপ অসিগী স্পোক্সমেন ঝাবিহুল্লাহ মুজাহিদনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। টালিবান্না হায়রি মদুদি, মীওই কয়ানা লন্নাই খৎনবা নৎত্রগা য়েৎনবা মতমদা মখোয় টালিবান্নি হায়জিনবসি তোয়না থোকই। লালহৌবা গ্রুপ অসিনা অফঘানিষ্টানগী অপুনবা লমগী তঙ্খায় অমরোম কন্ট্রোল তৌবগা লোয়ননা চহী ১২ শুরক্লবা লান লোইশিন্নবা পিছ এগ্রীমেন্ট অমা পুরক্নবা হোৎনরবসু মখোয়গী এটেক্তি লেপত্রিবনি।

# ধাকাদা গ্যাসকী মমল হেনগৎপগী ৱাহৌদা মীয়ামগা পুলিসকা খুৎ থোক্লখ্রে



ধাকা, জুলাই ১৫ (এজেন্সি):

ৱাংলাদেশি গভর্নমেন্টনা খঙহৌদনা গ্যাস মমল শরুক অহুম থোকপগী অমা হেনগৎহন্নবা লেপখিবগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌরিবা মীওই কয়াগা নোংমাইজিং নুমিত্তা কেপিটেল ধাকাদা ইনর্জি মিনিষ্ট্রিগী মপান্দা লৈরিবা পুলিস পর্সনেলশিংগা খুৎ থোক্লখ্রে হায়না প্রোটেষ্ট লুচিংবা অমসুং পুলিসনা ফোঙদেকখ্রে।

হৌখিবা থাদা ষ্টেটনা চল্লাইবা বাংলাদেশ ইনর্জি রেগুলেটরি কম্মিসন্না নেচরেল গ্যাসকী মমলশিং কঞ্জুমর খুদিংমক্কী ওইনা লৈবাক অসিগী শেনবা চহীগী অহানবা নুমিৎ ওইরিবা জুলাই ১ দগী চাংচৎতা ৩২.৮ হেনগৎলগনি হায়না লাউথোকখিবনি। নোংমাইজিং নুমিৎকী প্রোটেষ্ট অদু লেফট দেমোক্রেটিক এলাইয়েন্স (এল দি এ)না শীন্দুনা পাঙথোকখিবনি। প্রোটেষ্ট অদুদা মেম্বর ১৫ রোম পুলিসকা মুক্নবদা অশোক-অপন নংখ্রে হায়না গ্রুপ অসিনা ফোঙদোকখি।

গ্যাসকী মমল ৱাংখৎহনবগী মতাংদা ঐখোয়না ইনর্জি মিনিষ্ট্রিগী ওফিসতা ৱাকৎনবা হোৎনরুবদা পুলিসনা অথিংবা পীরকপদগী ঐখোয়গা পুলিসকা মুক্নবগী ফিভম অমা তাখি হায়না এল দি এগী পার্টনর অমা ওইরবা বাংলাদেশ কম্যুনিষ্ট পার্টিগী সেক্রেটরি রুহিন হোসাইনা ফোঙদোকখি।

# টাইৱান্দা খুৎলায় য়োনবা য়ু এসকী কম্পেনিশিংগা লল্লোন-ইতিক তৌনররোই : চাইনা



বৈজিং, জুলাই ১৫ (এজেন্সি):

চাইনাগী গভর্নমেন্ট অমসুং চাইনিজ কম্পেনিশিংনা টাইৱানদা খুৎলায় য়োল্লিবা য়ু এসকী ফার্মশিংগা বিজিনেসকী মরী তৎনরগনি হায়না চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনানা মশানা লৈঙাকচবা দেম্মোক্রেটিক টাইৱানবু লৈবাক অসিগীনি হায়না ক্লেম তৌবগা লোয়ননা তঙাইফদ্রবদি বৈজিংনা ইথৎ অদুবু কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদা ফোর্সফাওবা শীজিন্নরকপা য়াই হায়দুনা লাকখিবনি। বৈজিংনা টাইৱানবু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা লৈনবা মরীদা খ্বাইদগী খুরৌ চাওনা থাংহল্লিবা ইশ্যু অমনি হায়নসু তৎতনা ফোঙদোক্তুনা লাক্লিবনি।

টাইৱান্না হায়জরকখিবগী মতুং ইন্না ইথৎ অসিদা জেনরেল দাইনামিক কোর্পগী এম ১ এ ২ টি অব্রামস টেঙ্ক ১০৮ অমসুং রেথিওননা শাবা ষ্টিঙ্গর মিসাইল ২৫০ য়াওনা খুৎলায় কয়া য়োনবগী ৱাফম য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা এপ্রুভ তৌরে হায়না পেন্টাগোন্না হৌখিবা চয়োলদা ফোঙদোকখিবনি।

অমরোমদা, চাইনানা ইরাই নুমিত্তা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা টাইৱান্দা খুৎলায় য়োল্লিবা য়ু এস কম্পেনিশিংদা অথিংবা কয়া থল্লগনি হায়খি, তৌইগুম্বসুং অকুপ্পা মরোলদি পীখিদে। টাইৱানদা খুৎলায় য়োনবগী ইনৌ নৌবা দিল অদুদা দোলর বিলিয়ন ২.২ গী ওইগদবা টেঙ্কশিং, মিসাইলশিং অমদি মরী লৈনবা মচাক-মথুমশিং য়োনবগী ৱাফম য়াওরিবনি।

অসিগুম্বা খোঙথাং অসিনা চাইনাগী সোভরেন্টি অমসুং সিক্যুরিটিদা শোকহনবনা মরম ওইদুনা য়ু এসগী কম্পেনিশিং অসিগা লল্লোন ইতিক্কী মরী তৎননবা ৱারেপ লৌরে হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

# চে চাং য়াওদবা ইম্মিগ্রেন্টশিং ইভিক্সন তৌনবা য়ু এস ওথোরিটিশিংনা রেইদ চথবা হৌখ্রে

ৱাশিংটন, জুলাই ১৫ (এজেন্সি):

লোনা য়াদবা ইম্মিগ্রেন্ট ২০০০ রোম য়ু এসতগী তান্থোকখিনবগী ওপরেসন অমদা য়ু এস ইম্মিগ্রেসন এন্দ কষ্টমস এনফোর্সমেন্ট (আই সী ঈ)গী ওথোরিটিশিংনা মীওইশিং অদুবু লৌখৎলগা পুন্না থম্নবগীদমক্তা মফম কয়াদা রেইদশিং চথবা হৌখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখ্রে।



য়ু এস মিদিয়া আউটলেটশিংনা গভর্নমেন্ট ওফিসলশিং পল্লদুনা ফোঙদোকখিবদা, রেইদশিং অদু নোংমাইজিংগী নুমিৎকী নুংথিলদগী হৌখি। অমরোমদা, সিভিল রাইটস গ্রুপশিংনদি টার্গেট সিটিশিংদা হান্না থাজনখিবগুম্না অদুগুম্বা রেইদশিং চথবা উদে হায়না ফোঙদোকখি।

হান্না লিষ্টতা য়াওহনখ্রবা মরু ওইবা টার্গেট সিটিশিং হায়বদি অট্লান্টা, বাল্টিমোদ, চিকাগো, দেনভর, হাউস্টন, লোস এঞ্জেলিস, মাইয়ামি, ন্যু য়োক, সান ফ্রান্সিকো অমসুং ন্যু ওর্লিয়েন্দসতা ইম্মিগ্রেসন লোশিং চৎনহন্নবগী থৌদাং শীন্নবা এজেন্সি অসিনা হরিকেন বেরিনা মরম ওইদুনা লিষ্ট অদুদগী ন্যু ওর্লেয়েন্স লৌথোক্লে হায়না ফোঙদোকখি।

ৱাল ষ্ট্রিট জর্নেলনা ফোঙদোকখিবদা, ন্যু য়োর্ক মফম অনীদা আই সী ঈ এজেন্টশিংনা থাংজ নুমিত্তা ৱারেন্টশিং পুথোকপা ঙমদবদগী মফমশিং অদুগী মীয়াম্না মখোয়বু রিজেক্ট তৌখি। এজেন্টশিং অদু নোংমাইজিং নুমিৎ ফাওবা মফমশিং অদুদা অমুক হল্লকখিদে।

ইল্লিনোইস কোলিসন ফোর ইমিম্মগ্রেন্ট এন্দ রেফ্যুজি রাইটসকী স্পোক্সপর্সন কারা য়িনা মফমশিং অদু ঈচিক চিক্লা লৈ হায়খি। আই সী ঈগী ওফিসলশিংনা ওপরেসনশিং অদুগী অকুপ্পা মরোলসু ফোঙদোকউ য়াখিদে। ওপরেসন অদু য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা দোক্যুমেন্ট য়াওদবা ইম্মিগ্রেন্টশিং ফারগা তান্থোকখিনবা ওর্দর তৌখিবগী মতুং ইন্না পাঙথোকখিবনি।

# সাউথ কোরিয়ানা অথিংবা থন্বা পোৎলমশিং নোর্থ কোরিয়াদা থাদোকখি হায়বা ৱাফম অচৌবা শীংনবা অমনি

সিওল, জুলাই ১৫ (এজেন্সি):

জপানগী এক্সপোর্ট কন্ট্রোল হেনগৎলকপগী মতাংদা সাউথ কোরিয়াগা য়েৎনবা হেনগৎলক্লিঙৈ চৈরক্তা সাউথ কোরিয়ানা অথিংবা থন্বা পোৎশকশিং নোর্থ কোরিয়াদা থাদোকখি হায়বা জপানগী ৱাফমশিং অসি অচৌবা শীংনবা অমনি হায়না সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে-ইন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



অরুবা আইটেম কয়া সাউথ কোরিয়াদা থাদোকপগী মতাংদা মেনেজমেন্টতা অশোনবা কয়া উবা ফংলে হায়রদুনা জপান্না হায়-টেক ইক্কিমেন্ট শাবদা শীজিন্নবা মেটরিএল অহুমগী এক্সপোর্ট কন্ট্রোলগী খোঙথাংশিং কনশিনহনখিবনি। জপানগী অসিগুম্বা অকক্নবা আইটেম খরগা মরী লৈনবা খোঙথাং অসি অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মনুংদা সাউথ কোরিয়নশিংবু নমদুনা থবক শুহনখিবা জপানিজ কম্পেনি অমদা সাউথ কোরিয়নশিং অদুগী কম্পেসেসন পীননবা ওর্দর তৌখিবা সাউথ কোরিয়াগী কোর্ট অমনা হৌখিবা চহীদা পীখিবা রুলিং অমগী মায়োক্তা লৌখৎখিবনি।

অরুবা আইটেমশিং সাউথ কোরিয়াদা এক্সপোর্ট তৌবদা মেনেজমেন্টতা অশোয় অরাক কয়া লৈরম্বগা লোয়ননা এক্সপোর্ট কন্ট্রোলগী মতাংদা পাউ ফাওনবা ৱাৎপনা মরম ওইদুনা খোঙথাংশিং অদু লৌখৎখিবনি হায়না জপানিজ ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

লৈরিবা নাকল অনীগী টেন্সন অদুগী মথক্তা জপানগী এ ঐচ কে অমসুং এফ এন এন ব্রোদকাষ্টরশিংনা এক্সপোর্ট কন্ট্রোলগী আইটেমশিংদা চনবা মেটরিএল অহুমগী মনুংদা অমা ওইরিবা কেমিকেল খুৎলায়শিং শাবদসু শীজিন্নবা য়াবা পোৎশম অমা ওইরিবা হায়দ্রোজেন ফ্লোরাইদ অসি সাউথ কোরিয়াদা এক্সপোর্ট তৌখিবা মতুংদা লৈবাক অসিনা নোর্থ কোরিয়াদা অমুক থাদোক্লে হায়না রিপোর্ট তৌখি।

অমরোমদদি সাউথ কোরিয়ানদি ব্রোদকাষ্টরশিংগী রিপোর্টশিংদু য়ুমফম য়াওদবনি হায়না পল্লদুনা লোনা য়াদবা এক্সপোর্টশিং কন্ট্রোল তৌবগী মতাংদদি জপান্না চেকশিল্লিবা চাংদগী সাউথ কোরিয়ানা হেন্না চেকশিন্না থবক তৌই হায়খি।

য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী মায়োক্তা মতম শাংনা মিসাইল অমসুং ন্যুক্লিয়র খুৎলায় প্রোগ্রামশিং পায়খত্তুনা লৈবগীদমক্তা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা য়ু এন্না অথিংবা কয়া থমদুনা লাক্লিবনি। জপানগী অসিগুম্বা মরাল শীবা ৱাফম অসি গ্লোবেল এক্সপোর্ট কন্ট্রোল অমসুং সেঙ্কসন্স রেজিম থম্মোয় শেংনা ঙাক্তুনা লাকপদা নত্তনা অথিংবশিংগী ফ্রেমৱর্ক মনুংদা কোরিয়া মশেলগী মরক্তা মরী ফগৎনবা অমদি মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবা হনবা লৈতনা হোৎন্দুনা লাক্লিবা ঐখোয়গী গভর্নমেন্টতা পীবা অচৌবা শীংনবা অমনি হায়না প্রসিদেন্ট মুন্না ফোঙদোকখি।

# ম্যান্মারদা মোন্সুনগী নোংনা মফম কয়াদা ঈচাও থোকহনবদগী মীওই লিশিং কয়া ময়ুম-মকৈ থাদোক্লখ্রে

য়াঙ্গোন, জুলাই ১৫ (এজেন্সি):

ম্যান্মারদা নুমিৎ কয়ানি লেপ্পনা মোন্সুনগী নোং কন্না চুবা অমসুং লৈবাক অসিগী তুরেলশিং ঈমায় কা হেন্না ৱাংখৎলকপনা মরম ওইদুনা মীওই ১৮,০০০ হেন্না ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা চেন্নখ্রে অমদি হন্দক্কী লান্দা ময়ুম মকৈ লৈহনখিদ্রবা মীওইশিংনা লৈনবগীদমক্তা শাখিবা কেম্প অমা ঈশিং থুমজিনখ্রে হায়না ওথোরিটিশিং অমসুং পোলিটিসনশিংনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



অয়েয়াৱর্দি অমসুং চিন্দৱিন তুরেলশিংগী পরিংদা লৈবা টাউন মরি তুরেলশিং অসিগী ঈশিং পাথোরক্তুনা থুমজিনখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়না দিপার্টমেন্ট ওফ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিনা ফোঙদোকখি। ঐখোয়না লোকেল ওথোরিটিশিংগা খুৎশম্নুনা হোৎনদুনা মীয়ামদা চান-থক্নবা পোৎলমশিং পীবগা লোয়ননা অতৈ পোৎলম কয়াগী তেংবাংশিং পীরি হায়না দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টর ফিয়ু লাই লাই হতুন্না ফোঙদোকখি। অহেনবা মীওই কয়াসু নিংথৌকাবা নুমিত্তা মখোয় মখোয়গী ময়ুম থাদোক্লখ্রগনি হায়বগী থাজবসু লৈরে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহৌশাদগী হৌনা সাউথ ইষ্টকী এসিয়াগী লৈবাক অসিদা নোংজু থা মে-ওক্তোবরগী মতমদা নোং কন্না চুদুনা ঈচাওগী থৌদোকশিং তোয়না থোক্তুনা লাকখি। হন্দক্কী নোং অসিনা খ্বাইদগী হেন্না ফিভম থিনা শোকহল্লিবা মফমদি নোরদর্ন ষ্টেট কাচিননি। ষ্টেট অসিদা অয়েয়াৱাদি তুরেল তোব্বান নক্লা তাবা মীওই ১৪,০০০ মখোয়গী ময়ুমশিং থাদোক্তুনা শাফগদবা মফমশিংদা চৎনখ্রে হায়রি।

মিদিয়ানা ফোঙবা ফোটোগ্রাফশিংদা ঈশিং থুমজিল্লবা য়ুমশিং, গাড়িশিং অমদি লম্বীশিং উবা ফংখি। খ্বাইদগী ফিভম শোকপা মফমদি ষ্টেট কেপিটেল মিটকিনানি। ৱেষ্টর্ন রখায়ন ষ্টেটতসু ঈচাওনা মরম ওইদুনা মীওই ৩০০০ ময়ুম মকৈ থাদোক্লদুনা শাফগদবা মফমশিংদা লৈনবা হোৎনরি হায়না দিজাষ্টর মেনেজমেন্টনা ফোঙদোকখি। ঈচাওনা শোকহল্লবা রখায়ন ষ্টেটকী মফমশিংগী মনুংদা হৌখিবা চহীদা মিলিটরি অমসুং লালহৌবা গ্রুপ অরাকান আর্মিগী মরক্তা লান শোক্লখিবদা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেনখিবা মীওই কয়াসু য়াওখি হায়না অরাকান নেসনল পার্টিগী তুন ওং চোনা ফোঙদোকখি। মহাক্না মমাংঙৈগী সিটি মারৌক-য়ুগী মনাক্তা লৈবা মীওই চা কয়াগী চঙজফম ওইবা কেম্প অমদা চত্তুনা য়েংশিনখিবনি।

# ভেনিজ্যুএলাগী ওপোজিসন্না গভর্নমেন্টকা ৱারী শান্নরগনি

কারাকাস, জুলাই ১৫ (এজেন্সি):

ভেনিজ্যুএলাগী পোলিটিকেল ৱাথোক্কী ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনরিবশিংগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক অসিগী ওপোজিসন্না প্রসিদেন্ট নিকোলাস মাদুরোগী গভর্নমেন্টকা ৱারী মখা চথনবা মখোয় বার্বাদোসতা অমুক হন্না চৎলগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



হৌখিবা চয়োলদা নাকল অনীনা নোরৱোনা ৱাতেমদুনা চথরক্লিবা ৱারী শান্নবগী শরুক অমা ওইনা করিবিন ইথৎ অদুদা উনখিবা মতুংদা শগোলশেল নুমিত্তা ৱারী মখা চথনবা ইথৎ অদুদা অমুক চৎকদৌরিবনি। মালেমগী লৈবাক ৫০ হেনবনা ভেনিজ্যুএলাগী লোনা য়াবা লুচিংবনি হায়না শকখঙলবা ওপোজিসন লিদর জুৱান গুৱাইদোগী কম্যুনিকেসন্স ষ্টিম্না ত্বিটরদা দিলেগেসন অদু ভেনিজ্যুএলা মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবগীদমক্তা ইথৎ অদুদা অমুক হল্লক্তুনা ৱারী শান্নরগনি হায়না ফোঙদোকখি।

গুৱাইদোগী সিক্যুরিটি টিমগী মীওই অনী নেসনল গার্দতগী লৌখিবা রাইফলশিং য়োন্নবা হোৎনরম্বগী মরালদা ফাজিনখিবা মতুং নুমিৎ নিনিখক কান্নরগা নাকল অনীনা ৱারী শান্নখিবনি। মীওই অনী ফারিবদু ফেক ইভিদেন্সতা য়ুম্ফম ওইরগা কিহন্নবগীদমক্তনি হায়না গুৱাইদোনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর জোর্জ রোদ্রিগিঝনা মথং ৱারী রাওন্দদা কেস অদুগা মরী লৈনবা ইভিদেন্স পুথোক্কনি হায়না থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখি। মমাংদসু মাদুরোনা ৱারী শান্নবগী মিংদা মতম লেনখি হায়রদুনা ওপোজিসন এক্টিভিষ্টশিংনা ৱারী শান্নবগী ৱাফম অসি য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি।

হন্দক্কী ৱারী রাওন্দ অসিদি মমাংগী চহীদা দোমিনিকান রিপব্লিক্তা ৱারী শান্নবদা মায় পাকখিদবা অদুগা মান্নহল্লরোই হায়না ওপোজিসন লুচিংবা গুৱাইদোনা হায়খি।

ভেনিজ্যুএলাগী পোলিটিকেল ক্রাইসিস অসিনা লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী থবক থৌরম পুম্বা ফেল ওইহনবগা লোয়ননা চাননবা পোৎলমশিং অমদি হীদাক লাংথক্লচিংবা মরু ওইবা পোৎশকশিং ফংজিল্লক্তবদগী লৈবাক অসিদগী হৌজিক ফাওবদা মীওই মিলিয়ন ৪ রোম অতৈ থংনবদা লৈবাকশিংদা চেন্নখ্রে। হৌখিবা জন্যুৱারিদা গুৱাইদোনা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল খরগী মখাদা মশানা লৈবাক অদুগী ইন্টরিয়ম প্রসিদেন্ট ওইরে হায়না লাউথোকচখিবনি।

কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা নিকোলাস মাদুরোনা অমুক হন্না মায় পাকখিবদু অরান অহুই কয়া চথুদুননি হায়না গুৱাইদোনা মরাল শীখিবনি।

## দ্রগকা মরী লৈননা ফাবনি

বৈজিং, জুলাই ১৫(এজেন্সি):

চাইনাগী ইষ্টর্ন প্রোভিন্স সান্দোংগী য়েন্তাই সিটিদা হৌখিবা চয়োলদা ফাখিবা কানাদিয়ান সিটিজন অদু মহৈরোয়শিং চেন্নবা দ্রগকী কেস অমগা মরী লৈননি হায়না চাইনাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবা ফিভম অমা লৈরিঙৈদা চাইনিজ ওথোরিটিনা ইনৌ নৌনা কানাদিয়ান সিটিজন অদুবু ফাজিনখিবনি।

## অহেনবা প্রোটেক্সন দিমান্দ তৌখ্রে

হোং কোং, জুলাই ১৫(এজেন্সি): ৱাথোক ওইরবা এক্সট্রাদিসন ট্রিটি অদুগী মায়োক্তা লাক্কদৌরিবা চয়োল খরা অসিদা মখা তানা চথরক্কদৌরিবা প্রোটেষ্টশিংগী মাঙওইননা সিটি অদুগী পুলিস পর্সনেলশিংগী প্রোটেক্সন হেনগৎহন্নবা হোং কোং পুলিস ওফিসরশিংনা পুলিস চীফশিংদা তকশিনখ্রে।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HIYANGTHANG**

**Ref :- Mut. Case No. 5 of 2019**

Shree Leimakhujam Dinachandra Singh S/o (L) Tejmani Singh of Kwakeithel Leimakhujam Leikai.

-Vs-

Smt (Late) Leimakhujam (O) Akamani Devi W/o (L) Tejmani Singh of -do-

[illegible] / **NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 15/07/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ১-মালোম টুলিয়াইমা পাট্টা নং ... (অরিবা), ২৯৭ (অনৌবা) গী হাল ডাগ নং ১৬৫ (অরিবা), ২৪৫ (অনৌবা) গী এরিয়া ০.৫২ অমসুং ০.৬১ একর/হেক্টর চাউবা ইঙ্খোল/লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবিরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনীংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ২২/০৭/২০১৯ ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Imphal West, Hiyangthang

HL-P/3406/16

**IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 564/AS&SO/TBL Dated 12-07-2019**

1) Athokpam Jiten Singh S/o (Late) A. Kesho Singh of Athokpam Mayai Leikai.
2) Athokpam Bimola Devi W/o A. Jiten Singh of -do- *...Applicants*

-Vs-

(Late) Athokpam Kesho Singh S/o (L) Apabi Singh of Athokpam Awang Leikai. - OPP

[illegible] / **NOTICE**

Dt. 15/07/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবাল খুন নং ৩২ - অথোকপমগী মনুংদা লৈবা পাট্টা নং ২২ (অরিবা), পাট্টা নং ১৮৬/১৮৪৯ (অনৌবা), দাগ নং ৩২৩৯/৩৮৫০, এরিয়া অপূনবা হেক্তর .০৮০০ চাউবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মাগী মচানুপা অমসুং মমৌনুপী অনীগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি নৎত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**
**Asstt. Survey & Settlement Officer**
**Thoubal Govt. of Manipur**

HL-P/3405/16